# মহৈরোইশিংবু করিসু লৈতনা খনবা বোসেমগী ওথোরিটি অমদি এদুকেসন মিনিষ্টর ফম থাদোকউ ঃ দেসাম

ইম্ফাল,ওগষ্ট ১ (এস এন এস)ঃ

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা লৌবা হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট এগজামিনেসন, ২০১৮ গী ফন্দ লাউথোকখিবদা মহৈরোই খরগী মার্ক মরম চাদনা ককথরকপা অমদি বোসেমনা চথখ্রিবা অশোয়বা অরানবা কয়া থিজিন্নবা শেমখিবা ইনক্বারি কম্মিটিগী রিপোর্ট ঙসি ফাওবা লোৎশিন্দুনা থম্বগী মায়োক্তা লোয়ননা মহৈরোসশিংনা আর টি আইগী খূত্থাংদা পাউখুমচে য়েংনবা বোসেমদা হায়রুবদা লুপা ১০ পীরগা আর টি আইগী খূত্থাংদা চে য়েংবা য়াদে। লুপা ১০০০ পীরগা হন্না রেক্লুটিনি তৌগদবনি হায়রকই হায়বগী মায়োক্তা দেসামনা শীন্দুনা ঙসি তোঙান তোঙানবা স্কুলগী মহৈরোইশিংনা ৰাকৎ মীফম ফমখ্রে।

বোসেমগী থৌওংবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ব্রিল্লিয়ান্ট পব্লিক স্কুল শামুরৌ, লিট্টল মষ্টর ইংলিশ হায়র সেকেন্দরি স্কুল শামুরৌ, কেরিয়র গ্বাইদেন্স এন্দ কাউন্সেল্লিং সেন্টর স্কুল ৰাঙ্গৈই, ৰাঙ্গৈই হায়র সেকেন্দরি স্কুল ৰাঙ্গৈই, দ রোয়েল একাদেমি ওফ এদভান্স লার্নিং তোপ সিফাই, য়ূন্নাম হুইদ্রোম গভর্ণমেন্ট হায়স্কুল, খুমন মহৈকোল ময়াং ইম্ফাল নিলমনি ইংলিশ স্কুল ময়াং ইম্ফাল, সিঐচ থম্বৌ (সি টি) হায়র সেকেন্দরি স্কুল ময়াং ইম্ফাল, সুরশ ইলাইট স্কুল ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চক অমসুং থৌনাওজম ইবোবী মেমোরিয়েল ইংলিশ স্কুল উচিৰাগী মহৈরোইশিংনা মখোয় মখোয়গী স্কুলগী কেম্পসতা ঙসি ৰাকৎ মীফম অদু ফমখিবনি।

ৰাকৎ মীফম অদুগা মরী লৈননা লমদম অসিগী মহৈরোই লূপ অমা ওইরিবা দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) গী হেদ ওফিসকী সেক্রেটরী এদুকেসন এন্দ একাদেমিক এফিয়ার্স শমুরাইলাৎপম দেবদৎত শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিগী এদুকেসন সিষ্টেমবু দেসামনা মতম কয়াগী মমাঙদগী মতিং থোকপা এদুকেসন সিষ্টেম অমা ওইহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। মহৈ–মশিন হায়বসি খুন্নাই অমগী য়াঙলেন শরুনি খন্দুনা মহৈ–মশিনগা মরী লৈনবা হীরমখুদিংমক্তা কনাগুম্বা অমত্তনা অয়েৎ–অপন পীবিদনবা অমদি এদুকেসনবু দিষ্ট্রিবেন্স ফ্রী জোন ওইহন্নবা দেসামনা চঙশিন্দুনা লাক্লি।

অসিগুম্বা চৈরক অসিদা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর (বোসেম) না চহী খুদিংগী লৌদুনা পাঙথোক্লিবা ঐচ এস এল সি এগজামিনেসনদা হৌখিবা চহী খরা অসিদা এগজামিনেসনগী রিজল্ট লাউথোকপদা মহৈরোইশিংনা পেন্নদবগী মখোয়না ইরম্লিবা পাউখুমচেশিং অমুক হন্না আর টি আইগী খূত্থাংদা য়েংলুবা মতমদা মার্ক ৰাৎনা পীরম্বা কয়া থেংনখি। অসিগুম্বা বোসেমগী চেকশিন্দবা থৌওং অসিনা য়াম্না মরু ওইরিবা বোসেম অসিবু মীয়াম্না থাজনরক্তবগী ফীভমদা লৈরে। চহী অসিগী ওইনসু ঐচ এস এল সি এগজামিনেসনদসু মহৈরোই ৫ / ৬ পোজিসন য়াওরম্বগী ৰাথোক থোক্লিবনি। মমাঙদসু পোজিসন য়াওরকখিবা মহৈরোই অমা আর টি আইগী খূত্থাংদা মহাক্কী পাউখুমচে য়েংলুবদা মশানা লৈজরম্লিবা পোজিসন অদুদগী হেনগৎলকপগী ৰাথোক লৈখ্রিবনি। ৰাথোক অসিগীসু লৈঙাক্না ইনক্বারি কম্মিটি শেমদুনা থিজিনখিবগী রিপোর্ট ঙসি ফাওবা লৈঙাক অসিনা লোৎশিন্দুনা থম্লি। অসিগুম্বা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা বোসেম অসিবু কন্নবা হোৎনবদা মহৈরোই খুন্নাইনা তুমিন্না লৈথোকপা চুম্লোই হায়বা ৰাখল্লোন অসিদা খোঙজং অসি চঙশিঞ্জবনি হায়খি।

অমরোমদা মহৈরোইশিংনা আর টি আইগী খূত্থাংদা মশাগী অন্সর স্ক্রিপ্ট য়েংজনবা তান্নরুবদা বোসেমগী মায়কৈদগী য়াম্না লুজদবা মওংদা লুপা ১০ খক পীরগা আর টি আইগী খূত্থাংদা চে য়েংবা য়াদে রেক্লুটিনি তৌরবা মতুংদা লুপা লীশীং অমা থিরগা চে য়েংবা য়াগনি হায়না ৰাফম থম্লকপসি মহৈরোই লূপ অমা ওইনা পেন্দবা ফাওই। অসিগুম্বা বোসেমগী থৌওং অসিনা বোর্দ অসি হুরান চিঙ্হি তৌবা শেন্দানফম ওল্লব্রা হায়বসি ৰাহং ওইরি। মখোয়বু য়েংশিন্নবা লৈরিবা এদুকেসন দিপার্টমেন্ট অমদি লৈঙাক অসিনা অসিগুম্বা বোসেমগী মথোঙ হুক্তবা থৌওং অসি কয়াম কুইনা য়েংদুনা লৈখিগদৌরিবনো। মরম অদুনা খুন্নাই অমা চাউখৎনবা হোৎনবদা তুংগী য়ূম্বী ওইগদৌরিবা মহৈরোইশিংবু করিসু লৈতনা খনবা বোর্দকী ওথোরিটি অমদি মরী লৈনবা এদুকেসন মিনিষ্টর ফম কোন্দুনা লৈবা মতীক চাদে। মহৈরোইশিংগীদমক অচুম্বা খরা তৌবা ঙম্লোইদবা ওইরগদি ইশা ইশানা পায়বীরিবা ফম অদু মতীক চাদ্রে খনবীদুনা থাদোকপীরো হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কেরিয়র গ্বাইদেন্স এন্দ কাউন্সেল্লিং সেন্টর স্কুলগী ওজা অশাংবম জিতেননা ফোঙদোকখিবদা বোসেমগী ওথোরিটিনা লীশাং শিংনা চথরক্লিবা ঐচ এস এল সি এগজামিনেসন অসিগী ফল লাউথোক্লকপা মতমদা অরানবা থৌওং চথবগী চিংনবা লৈরে। অসিগুম্বা থৌওং অমা ওইনা হৌখিবা চহীগী ঐচ এস এল সিগী এগজামিনেসনগী ফল লাউথোকপদা ফার্ষ্ট পোজিসন তাগদবা মহৈরোই অমা মরিশুবা পোজিসন তারকখি। চহী অসিগী ওইনসু স্কুল অসিমক্তদগী পোজিসন য়াওগনি হায়না পানবা মহৈরোই অমা ফার্ষ্ট দিভিজন খক্তদা পাস তৌরকখি। মহৈরোই অসিনা পেন্দবদগী ওজাশিংগা তান্নদুনা রেক্লুটিনি তৌবা মতমদা মার্ক খরা অমুক হাপ্লকখি। মসিদফাও পেন্দবদগী আর টি আইগী খূত্থাংদা পাউখুমচে য়েংলুবা মতমদা সবজেক্ট খরগী অচুম্বা পাউখুমদা মার্ক ৰাৎনা পীরমখি। ৰাৎলিবা মার্কশিং হাপ্নবা বোর্দকী ওথোরিটিদা অইবা চে থাখ্রে অদুবু ঙসি ফাওবা পাউখুম অমত্তা ফংদ্রি।

অসিগুম্বা বোর্দকী থৌওং অসিনা চহী লীশাং শিংনা চথরক্লিবা এগজামিনেসন অসিদা বোর্দকী ওথোরিটিনা অশোয়বা অরানবা কয়া চথরব্রা হায়বসি চিংনহল্লে। লোয়ননা এগজামিনেসন অসিবু মীয়াম্না থাজরক্তবগী ফীভমদা লাক্লে। অসিগুম্বা চিংনবা ময়াম অসি কোক্লনবা মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি লৈঙাক্কী এদুকেসন দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙবীদুনা তুংদা থোক্লক্কদবা নীংহন্নবা কয়া থোকহন্দনবগী ৰাখল্লোন্দা অমদি চথখ্রিবা বোসেমগী থৌওংশিং অসিগী অচুম্বা অদু মীয়ামদা খঙহনবীয়ু হায়না ৰাকৎ মীফম অসি ফমজবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৰাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোইশিংনা বোসেমনা মহৈরোইশিংগী ফংফম থোকপা মৎপীগনু, বোসেমগী ওথোরিটিশিং মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্কদবনি, মহৈরোইশিংগী মার্ক টেম্পরিং তৌবা য়ানীংদে, ইনক্বারি কম্মিটিগী রিপোর্ট মীয়ামদা খঙহল্লু, বোসেম শেন্দালফম ওম্লোক্কনু, আর টি আইগী রিপোর্ট খুদক্তা পীয়ু হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

# থবক লোইদবগী লেভি ওফ কম্পেন্সেসন থিবসি মণিপুরদা শওঙ্কং থোংনা অহানবনি ঃ সোমোরেন্দ্রো

ইম্ফাল,ওগষ্ট ১ (এস এন এস)ঃ

থবক অমা অপীবা মতমগী মনুংদা লোইশিনবা ঙমদবগীদমক তাইম এক্সটেন্সেন তৌনবা লেভি ওফ কম্পেন্সেসন চাদ ১০ পীহনবা অসি শওঙ্কং থোংনা ষ্টেট অসিদা অহানবা ওইরে হায়না থোং অসিবু শাবগী থবক তৌরিবা সুপ্রিম ইনফ্রাষ্ট্রকচর ইন্দিয়া লিমিটেদগী ওঠোরাইজ সিগনেটোরি শরাংথেম সোমোরেন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

থোং অসিগী হৌজিক লৈরিবা ফিভমগী মতাংদা সোমোরেন্দ্রোনা ঙসি পাউমীশিংদা হায়, মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৰেজগী মখাদা মণিপুর লৈঙাক্কী পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা ইমপ্লিমেন্টি এজেন্সি ওইরগা সুপ্রিম ইনফ্রাষ্ট্রকচর ইন্দিয়া লিমিটেদনা থোং অসি শাবগী থবক চথদুনা লাকপনি। থোঙ অসি কুমজা ২০১৫ দগী শাবা হৌরক্লবা মতুংদা কুমজা ২০১৮ দা লোইশিননবা পান্দম থম্লম্বনি। অদুবু লমদম অসিগী লোঅমসুং ওর্দরগী ফিভম য়াওনা তোঙান তোঙানবা মরম কয়াদগী থোঙ শাবগী থবক অসি মতম থিঙ্গরকপনি।

মরক অসিদা কুমজা ২০১৮গী সেপ্তেম্বর ২৪দা শিল্লোংদা পাঙথোকপা মিনিষ্টি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৰেজনা শীন্দুনা পাঙথোকপা নেসনেল হায়ৰেশিংগী রিভিয়ু মীতিংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিটিন গাদকারি মশানা মিনিষ্ট্রি অসিগী রিজনেল ওফিসার নোর্থ ইষ্টতা শওঙ্কং থোং অসিগী কুমজা ২০১৬ তগী পীথোক্তুনা লৈরিবা বিলশিং পীথোক্লবা অমসুং থোং অসি শাবা লোইশিন্নবগীদমক টাইম এক্সতেন্সন পীথোকখিনবা পাউতাক পীখি। থোং অসি শাবগা মরী লৈননা বিল অসি কুমজা ২০১৬ দগী মখা তানা পীথোকপীদনা লাকখিবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা গুৱাহাটিদা লৈরিবা রিজনেল ওফিসারগী মায়কৈদগী কম্পনি অসিগী সাইট ইঞ্জিনিয়াদা টাইম এক্সটেন্সন পীনবগীদমক থোংগী অপুনবা শেনফমগী চাদ ৫ মঙোন্দা পীনবা হায়রকখিবা লৈখি হায়না মরাল শিখি।

অমরোমদা থোং অসি মতম চানা থবক শুবা লোইশিনবা ঙমদবগীদমক পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা লেভি ওফ কম্পেন্সেসন অসি চাদ ৫ রিকমেন্দ তৌরবসু রিজনেল ওফিসার অসিনা লেভি ওফ কম্পেন্সেসনগী শেনফম অসি চাদ ১০ কক্লবা তুংদা টাইম এক্সটেন্সেন পীরক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, য়াম্না নুংঙাইবা অমদি লমদম অসিদা পায়খৎখিবা অচৌবা থোঙ কয়া য়াওনা প্রোজেক্ট কয়া মতম চানা লোইশিনবা ঙমখিদবা য়াওরবসু ঙসি ফাওবদা লেভি ওফ কম্পেন্সেসন অসি থিহনখিবা লৈখিদ্রি। মমাঙদা পলেলগী থোংনচিংবা শাবা অসিসু মতম চানা লোইশিনবা ঙমখিদ্রবসু লেভি ওফ কম্পেন্সেসন ককখিবগী পাউ তাদে। লোয়ননা অচৌবা প্রোজেক্ট কয়াসু মসি থিহনখিবগী ৰাফম ঙসি ফাওবা তাখিবা লৈখিদ্রি। থবক মতম চানা লোইশিনবা ঙমদবগীদমক লেভি ওফ কম্পেন্সেসন থিহনবা অসি শওঙ্কং থোং অসিনা হিষ্ট্রিদা অহানবা ওইগনি হায়খি।

শওঙ্কং থোং অসি মতম শাংনা শাবা লোইশিন্দনা লাকপা অসিদা লমদম অদুগী মীয়ামগী মায়কৈদগী থোং অসি অথুবা মতমদা লোইশিনবীনবা তকশিল্লকপগী মতুংইন্না মিনিষ্ট্রিদগী টাইম এক্সটেন্সেন হেক ফংবগা থবক মখা শুথদুনা থা ৪–৫গী মনুংদা থোং অসি লোইশিন্নবা পান্দম থম্লি। মসিদা লৈকাইগী মীয়াম অমসুং ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা মতেং পাঙবীনবা ৰাফমসু সোমোরেন্দ্রোনা ফোঙদোকখি।

# মমাগী খোম্লাং অঙাংদা পীথকপনা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী ঃ এক্সপার্ট

ইম্ফাল, ওগষ্ট০১ (এস এন এস)ঃ

হেক পোকপদগী থা ৬ (তরুক) ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংদা মমাগী খোম পীথকপ্লা লায়না তিন্না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্বদা নত্তনা মশা ফনা লৈবা ঙমহল্লি হায়না ববিনা হেলঠ কিয়ার এন্দ হোস্পিলিটি ইন্দষ্ট্রি প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দাইরেক্তর ডাঃ টি ঐচ ধাবল্লিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৰাফম অসি লমশাংদা লৈবা আর দি ও কোলেজ ওফ নর্সিংগী ওদিটোরিয়মদা ঙসিদগী চয়োল অমা চুপ্পা ওগষ্ট ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদবা "ৱার্ল্ড ব্রেষ্টফিদিং ৱিক ২০১৯" হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্টগী ৱারোল পীরদুনা হায়খিবনি।

"ইম্পৱার পেসেন্ট, ইনেবল ব্রেষ্টফিদিং" হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ববিনাগী মেনেজিং দাইরেক্তর ডাঃ টি ঐচ ধবল্লিনা চীফ গেষ্ট, পেদ্রিয়াতিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুর (পাম) গী প্রসিদেন্ট ডাঃ কে ঐচ রতনকুমার অমসুং আর দি ও কোলেজ ওফ নর্সিংগী প্রিন্সিপাল এন জি থবাতোন চনুনা গেষ্ট ওফ ওন্নর অদুগা ব্রেষ্টফিদিং প্রমোসন এল্লাইন্স ওফ মণিপুর (বিপাম) গী প্রসিদেন্ট ডাঃ এন জিতেন্দ্র সিংহনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

রিমসগী সেনিয়ার রেসিদেন্ট ডাঃ মিনাক্ষি অমসুং মিদৱাইফেরি এন্দ ওবষ্ট্রিকেল নর্সিং, কোলেজ ওফ নর্সিং, মেদিকেল দাইরেক্তোরেটকী ঐচ ও দি অমসুং এসোসিয়েসন প্রোফেসার ডাঃ টি ঐচ নন্দরানিনা টেক্নিকেল সেসন অমা পাঙথোক্তুনা মমাগী খোম্লাং অঙাংদা পীথকপনা মমা অমসুং মচাদা ফঙবা কান্নবা অমদি ইমুংগী মীওইনা অঙাং চেল্লিবা মমা করম্না লোইনগনি হায়বগী মতাংদা মীয়ামদা হেন্না ভাব তাহনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ডাঃ টি ঐচ ধবলিনা হায়, মালেমগী লৈবাক ১২০ হেনবনা ১৯৯২ দগী চহী খুদিংগী আগষ্ট ১ দগী ৭ ফাওবা "ৱার্ল্ড ব্রেষ্টফিদিং ৱিক" পালন তৌদুনা লাক্লি। মসিগী মরু ওইবা পান্দমদি লৈবাক মীয়ামদা মমাগী খোম্লাং পীথকপনা পীবা কান্নবশিং অদু হেন্না মপুং ফানা ভাব তহনবনি। মমাগী খোম্লাং পীথকপনা অঙাং অদু লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা নত্তনা মমাসু কেন্সর মখল খরদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

মমাগী খোম্লাং অসি অতোপ্পা চিঞ্জাক অমনা শিনবা য়াবা নত্তে। য়ামদ্রবদা থা ৬ ফাওবদি মমাগী খোম্লাং দমক পীথক্কদবনি। মসিনা মমা মচাগী মরক্তা লৈনবা নুংশিনবগী মরীসু ফঙাৎপা ঙম্মী। লোয়ননা গর্ভর্ণমেন্টকী ইনষ্টিটুসনশিংদা নুপী অমনা অঙাং উন্নবদা পীরিবা থা ৬ কী ছুটি অসিগুম্না প্রাইভেট সেক্তরশিংদসু পীনবা হোৎনরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# এস দি সি ৩১ গী ফম হোংদোক–হোংজিন তৌখ্রে

ইম্ফাল,ওগষ্ট ১ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর লৈঙাক্কী রেভিন্যু দিপার্টমেন্টকী অন্দর সেক্রেটরী টিঐচ ভবানন্দ শর্ম্মনা থোকপা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না দিপার্টমেন্ট অসিদা হৌজিক হৌজিক থৌ পুরিবা এস দি সি / এল এ–এস দি সি ৩১ গী ফম হোংদোক–হোংজিন তৌখ্রে।

লৈঙাক্কী ওর্দর অসিগী মতুং ইন্না ওইনাম জয়চন্দ্রনা দি সি ওফিস ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস দি সি / বি ও, মোইরাংথেম গৌতমনা এস দি ও ওফিস ৱাঙ্গোই অমসুং সব– রেজিষ্টার ৱাঙ্গোইগী এস দি সি (ঐচ ক্যু) সুরমা থিয়ামনা দি সি ওফিস ইম্ফাল ইষ্টকী বি ও/ এস দি সি, এস ইবোমচানা ককচিং সার্কলগী এল এ– এস দি সি নোংথোম্বম বৈকুলনা খোংজোমগী এল এ–এস দি সি, পি ইবোহলনা এস দি ও ওফিস আইলেন্দদা এল এ–এস দি সি ওইনা এটেষ্টে তৌদুনা, ইরুংবম জুরিয়জনা শওঙ্কংগী এস দি সি, মাংতে জোনাথন কোমনা থৌবালগী এস দি সি, পি ৱিলুংবৌনা এস দি ও ওফিস তামৈগী এল এ–এস দি সি, এন জি কাবা পিটরনা দি সি ওফিস সেনাপতিগী এল এ–এস দি সি / বি ও, নেমজালম কিপগেননা সাইকোটকী এল এ–এস দি সি, এল সুরচন্দ্রনা দি সি ওফিস জিরিবামগী এল এ–এস দি সি / বি ও, কেঐচ ভবাদেবনা দি সি ওফিস তেংনৌপলগী এল এ–এস দি সি। বি ও অমসুং পোল নাংশানা তৌশেমগী এস দি সি ওইনা নৌনা থৌ পুরগনি।

লোয়ননা কাওঙমলিয়াং রিয়ামৈনা কামজোংগী এস দি সি, ঐচ এল খৃষ্টিয়ান হোমনা দি সি ওফিস কামজোংগী এস দি সি / বি ও, এ নেলিয়ানা এস দি ও ওফিস তদুবীগী এল এ–এস দি সি, কছার চোপ্পুইনা ফুংয়ারগী এস দি সি, শমুকচম জেমিনা দি সি ওফিস বিষ্ণুপুরগী এস দি সি / বি ও, এম দি অব্দুল সুভননা থৌবালগী এল এ–এস দি সি / বি ও, এনজি রবিচন্দ্র মৈতৈনা লমশাংগী এস দি সি, ময়াংলম্বম রঞ্জিতানা দি সি ওফিস ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস দি সি / বি ও, এম ইন্দ্রজিৎনা দি সি ওফিস ককচিংগী এল এ–এস দি সি/ বি ও, এল ব্রোজেন্দ্রনা মোরেগী এল এ–এস দি সি (ঐচ ক্যু), জুলিয়া খুরাইজমনা দি সি ওফিস থৌবালগী এস দি সি / বি ও, লাইশ্রম ভগৎনা হৈঙাংগী এস দি সি, লুক্রাম হোরোজিৎনা দি সি কংবাইগী এস দি সি, খালিম টেনিসননা দি সি ওফিস উখ্রুলগী এল এ–এস দি সি / বি ও, ঙাংবম সনাতোম্বীনা দি সি ওফিস ইম্ফাল ইষ্টকী এস দি সি / বি ও অমদি এম গুনমনিনা হিয়াংলমগী এল এ–এস দি সি ওইনা নৌনা থৌ পুরগনি।

# আর এন রবি নাগালেন্দগী গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট০১ (এস এন এস)ঃ

নাগা পিছ টোক্ককী ইন্টরলোক্যুটর অমসুং ফোর্মর ইন্টিলিজেন্স ব্যুরো ওফিসার আর এন রবি (৬১) নাগালেন্দগী গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

ঙসি কোহিমাগী রাজ ভাবন্দা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা গৌহাটি হায় কোর্টকী এক্টিং চীফ জষ্টিস অনুপ কুমার গোশ্বামিনা মহাকপু ৱাশক লৌহনখি। ৱাশক লৌবগী থৌরমদুদা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর নৈফিও রিও, হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এস সি জামির লোয়ননা ষ্টেট অসিগী মিনিষ্টর, এম এল এ অমসুং মকোক থোংবা ওফিসারশিংসু শরুক য়াখি।

ৱাশক লৌরবা মতুংদা আর এন রবিনা হায়, ষ্টট অসিগী অমদি লৈবাক অসিগীদমক অৱাবা চোকথবা লৈতনা নাগালেন্দ মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌগনি। ষ্টেট অসিগী হেলঠ, এদুকেসন য়াওনা ইন্টরপ্রেয়ুনর পার্টনিসিপতা হেন্না খুম্মাঙ চাওশিন্নবা পান্দম থম্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, নাগা পোলিটিকেল ইসু য়াম্না থুনা লোইশিনবা হায়বসি মাগী থম্মোয়নুংদা লৈ। নাগালেন্দগী রিসজেন্টশিং অসি অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মোদেল অমা ওইহন্নবা হোৎনসি হায়না আপিল তৌখি।

# ফি থোংদবা খোঙজং চঙশিনখিবী ইমাশিং ইকায়...

*লমায় ১গী মখা..*

শক্তম মাংশিল্লক্লবা ফুরুপ অমা ওইহল্লকখিবা থৌওংশিংগী মায়োক্তা তঙাই ফদনা লমদম অসিগী ৰাখল্লোন মান্নবা চনুরাশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা ঙসিদগী চহী ১৪ গী মমাঙদা ইংকুমজা ২০০5 তা ইচেল অসি লিংখৎখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঐখোয় মশেলগী মরক্তা খাইবুং খাইবুং তান্নবা অমদি নোংচূপলোমদা য়েংবা ৰাখল মীৎয়েংগী খুদোংচাবা লৌরকপা, লমদম অসিদা মখল মখা কয়াগী চৈফু চৈরাকশিং হকথেংননরি। মীরমদগী চঙশিল্লকপা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা নোংমা নোংমগী মশীং হেনগৎলক্তুনা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংগী মীশিংনা মাইনোরিটি ওইরক্লিবা, দ্রাকোনেল লো কয়া থমজিন্দুনা লমদম অসিগী মীয়ামদা মখল কয়াগী অৱাবা পীদুনা লাক্লি।

পূন্নমকশিংবু মাঙদা থমজরগা ইরমদম অসিবু মীখা পোন্দবা, ইশাগী ইনাৎ শক্তমবু ঙাকচদুনা মশেক মঙাল থোক্না হিংবা ঙম্নবা অমদি মনুং অমসুং মপালদগী লৈঙাক খুন্নাই মাংহন্নবা, কাইহন্নবা পীরক্লিবা থৌশিল থৌওং, শাফু পূন্নমক মায়োক্লদুনা মাংহনখিনবা ইরৈবাক ইনাৎ চনুরা লোইনশিল্লোন (ইচেল) লিংখৎখিবনি। লোয়ননা মখা তানা থৌদাং লৌজবদা মীয়াম্না মতেং পীবিয়ু হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

# এম এস এস এগী খোঙজংগী খন্নগদৌরি

ইম্ফাল,ওগষ্ট ১ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা ইমপ্লোয়িশিংগী মরক্তা লৈঙাক অসিগী পে ইমিপ্লিমেন্টেসন সেলনা চীহে নাইবা মীৎয়েং অমদা য়েংদুনা ইমপ্লোয়িশিংগী মরক্তা তলব শাবদা অশোয়বা কয়া লৈরিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হয়েংদগী থবক লেপ্পা খোঙজং চংশিনলগনি হায়না লাওথোকখিবা অদু মখা তানা খন্নবা হয়েং অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা সেক্রেটরিয়েট সাউঠ ব্লোক্কী কনফরেন্স হোলদা মণিপুর সেক্রেটরিয়েট সর্ভিস এসোসিয়েসনগী ওইবা মীফম অমনা খন্নগদৌরি।

প্রেসনা মণিপুর সেক্রেটরিয়েট সর্ভিস এসোসিয়েসনদগী ফংবা পাউজী মতুংইন্না ঙসি নুংথিল এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিংগা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি জি এ দি ভি ভুমলুনমাংগা উন্নদুনা হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা কুপ্পা নৈনখি।

মীফম অদুদা এম এস এস এগী মায়কৈদগী রিভিজন ওফ পেদা লৈরিবা অশোয়বা অরানবা কয়া অদু পুথোক্লদুনা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি জি এ দিদা এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লবা মতুংদা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী হৌজিক চীফ সেক্রেটরি অমসুং প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ফাইনান্স অসি আউট ওফ ষ্টেসন ওইবনা ইমপ্লোয়শিংনা মতম খরা পীবিনবা ৰাফম পুখৎলকখি।

চীফ সেক্রেটরি অমসুং প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ফাইনান্স লাক্লবা মতুংদা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্ননবা হোৎনগনি। মরম অসিনা থবক লেপ্পা খোঙজং নত্তবা অতোপ্পা করি তৌবা য়াবগে য়েংবীনবা আপীল তৌরকখি।

প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি জি এ দিগী ৰাফম অদু তারবা তুংদা মহাক্না থম্লক্লিবা ৰাফমশিং অদু খন্নবগীদমক হয়েং অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবা মতমদা সেক্রেটরিয়েট সাউঠ ব্লোক্কী কনফরেন্স হোলদা মণিপুর সেক্রেটরিয়েট সর্ভিস এসোসিয়েসনগী ওইবা অথুবা জেনরেল বোদি মীফম অমা পাঙথোক্লগনি।

মীফম অদুদা থবক লেপ্পগী খোঙজং অসি অদুমক চংশিনখিগদ্রা নৎত্রগা লৈঙাক্না পুখৎলক্লিবা ৰাফম অসিদা থবক লেপ্পগী খোঙজং নত্তবা অতোপ্পা খোঙজং অমনা শিনগদ্রা হায়বদু খন্নখিগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাইঃ কে এস এ

ইম্ফাল, আগষ্ট ০১(এস এন এস)ঃ

লমদমসিদা নুপী–অঙাংদা চথবা থৌদোক ৰাথোকশিংদা অকনবা মীৎয়েং চংবগা লোয়ননা থৌদোকশিংগী মরম থিদোক্লগা চেন্নরিবশিং লোগী মতুংইন্না চৈরাক পীনবা মহৈরোই লূপ কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসন (কে এস এ)না লৈঙাক্কী পূক্রিং চিংশিল্লক্লি।

হিরমসিগা মরী লৈননা কে এস এনা থাদোকরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক নুপী অঙাংশিংবু হাত্তোকপিবা, শিজখিবা, অমসুং ওৎপি লৈবিবা অসি মশীং থিঙ্অদনা থোকখ্রে।

অসিগুম্বা ফিভম অসিদা নুপী অঙাংদা চথবা ক্রাইম হুহ্হন্নবা মীয়ামদা এৱার্নেস পীবগী থবক থৱয় হকচাং য়াওনা তৌরিবা অমদি লাইবক থিহৌরবী নুপী ওইবীশিংগী রাইট ফংহন্না হোৎনরিবা ৱুমেন এক্সন ফোর দিভলপমেন্ট (ৱাদ) কী মায়োক্তা থোক্লক্তুনা থা অসিগী ২৪দা সিভিল পুলিস অমনা ৱাদকী ওফিসতা লাক্লগা খূৎলাই উৎলগা অকি–অখঙ পীরম্বা অসি মীয়ামগী য়েক্লবনি হায়না লৌই। মখা তানা অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্লকপদা অফ–ফত্তা পূন্নমক মণিপুর লৈঙাক্না পুগদবনি।

মণিপুর লৈঙাক্না ৱুমেন এক্সন ফোর দিভলপমেন্টগী ওফিসতা কিহল্লম্বগী থৌদোক্তা চেন্নরিবা মীওই অদু লোগী মতুংইন্না চৈরাক পীদ্রবদি থৌদোক অদু লৈঙাক্কী মী য়াওবরা হায়না কে এস এনা চিংনদবা ঙমদে। অমদি ৱাদতা তারিবা অৱা অনা পূন্নমক মহৈরোই খুন্নাইগী অমসুং লৈবাক মীয়ামগী লৈরিবা কে এস এনা শরুক য়াবগা লোয়ননা ৱাদনা তৌরকপা থবক থৌরমশিংদা কে এস এনা অমত্তা ওইনা মতেং পাঙগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা হায়রি।

# হোর্টিকলচর, বাইও টেক্নোলোজি অমদি কম্মুনিটি সাইন্সকী কোলেজ ১ হাংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (এস এন এস)ঃ

গ্রুপ ওফ ইনষ্টিট্যুসন হেনবুংগী মখাদা ঙসি অনৌবা হোর্টিকলচর, বাইও টেক্নোলোজি অমদি কম্মুনিটি সাইন্সগী ওইনা অনৌবা অমা ঙসি হৌনবী মতুং ইন্না হাংখ্রে। এগ্রিকলচর বাইও টেক্নোলোজি য়াওনা অনৌবা কোলেজ অহুম হাংবা অসিনা মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্টকী মহৈরোইশিংবু মতমগা চান্নবা মওংদা শেমবা ঙম্লগনি হায়না ফিদস গ্রুফ ওফ ইনষ্টিট্যুসনগী দাইরেক্তর ঐচ সি বট্টাচারয়ানা হায়খ্রে।

ঙসি থৌরম অদুদা (ফাউন্দেসন ফোর ইনভাইরোনমেন্ট দিভলপমেন্ট সার্ভির্সেস) ফিদসগ্রুপ ওফ ইনষ্টিট্যুসনগী চিয়ারমেন হাওখোলেট কিপজেন, ইনষ্টিট্যুসন অসিগী চিয়ারমেন ঐচ সি বট্টাচারয়ানা হায়খিবদা, ফিদস গ্রুপ ওফ ইনষ্টিট্যুসন হেনবুংগী চিয়ারমেন হাওখোলেট কিপজেনগী মীৎয়েং মখাদা লমদম অসিগী চীংগী মফমশিংদা লৈরিবা শোখরবা মহৈরোইশিংবু পূক্নিং থৌগৎনবগী পান্দমদা অনৌবা কোলেজ অসি লিংখৎখিবনি। কোলেজ অসিদা লমদম অসিগী মহৈরোই য়াওনা নাগালেন্দ অমদি অসামগী মহৈরোয় কয়ানা কলেজ অসিদা তম্নবা এদমিসন তৌবা হৌরে। লোয়ননা চহী অসিদগী হৌনা সেসন হৌনবা শেম শাবা লোইরে। ঙসি হাংলিবা কোলেজ অসি মণিপুর য়ুনির্ভসিটিগী মখাদা লৈগনি লোয়ননা টেক্নিকেল কোলাব্রোসন অসাম এগ্রিকলচর য়ুনির্ভসিটি পীগনি হায়না দাইরেক্তর অসিনা ফোঙদোকখি। দাইরেক্তরনা মখা তারদুনা নোর্থ ইষ্ট য়াওনা মণিপুর অসি বাইওলোজিকেল পোটস্পোট ওইবগা লোয়ননা মেদিস্নেল প্লান্টশিংগী য়াম্না তুংফম ওইরি। নোর্থ ইষ্টকী ওইনা এগ্রিকলচরেল বাইওলোজিকেলগী ওইবা অহানবা কোলেজ অসিনা লমদম অসিদা থেংনরিবা লৌউ শিংউবগা মরী লৈননা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসি থেংনবা লোয়ননা অনৌবা পোৎলম কয়া পুথোকপদা মতেং ওইগনি হায়না দাইরেক্তর অসিনা মখা তাখি।

# ইম্ফালদা লৈবা অৱাংবা বিল্ডিং অয়াম্বা অয়াবা লৌদনা শাবা ...

*লমায় ১গী মখা...* বিল্ডিং এসেসমেন্ট কম্মিতি অমা শেমখিবনি।

পি দব্লিউ দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার –বিল্ডিংনা চ্যারমেন অমসুং আই এম সিগী ইঞ্জিনিয়ারিং ওফিসার, টাউন প্লানিং দিপার্টমেন্টকী এসোসিয়েট টাউন প্লানর এন বেনজু, পি দি এগী ই ই টু দব্লিউ প্রসান্ত, ও সি সিটি পি এস, আই এম সিগী এসিষ্টেন্ট ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নার (ইঞ্জিনিয়ারিং) অমসুং জোইন্ট দাইরেক্তর মাহুদনা মেম্বর ওইবা মীওই ৭ না শাবা কম্মিতি অমা শেমদুনা বিল্ডিংশিং অদু য়েংশিন্নবা শিন্নখিবনি।

মপুং ওইনা কম্মিতি অসিনা ইম্ফালগী পাউনা অমসুং থাঙ্গাল কৈথেলদা লৈরিবা বিল্ডিংশিং অসি চহী কয়া শুরবগে, বিল্ডিংশিং অদু বিল্ডিং প্লান এপ্রুভেল লৌরমব্রা অমসুং বিল্ডিংশিং অদুগী ষ্টেটস য়েংশিন্নবা শিন্নখিবনি।

মদুগী মখা চথরকপা ওইনা কম্মিতি অসিনা হায়রিবা আই এম সিগী মার্কেট এরিয়া ওইরিবা পাউনা অমসুং থাঙ্গাল কৈথেলদা লৈরিবা বিল্ডিংশিং অসিদা বিল্ডিং প্লান এপ্রুভেল লৌখিবশিং লোয়ননা হান্না লৌরমদবা লৈরবসু লৌনবা এপ্লাই তৌরক্লবা খঙহনখিবগী মতুংইন্না আই এম সিগী খূত্থাংদা অয়াবা লৌনবা খঙহনখিবনি।

কম্মিতি অসিনা আই এম সিগা তান্নরগা পায়খৎলিবা খোঙথাং অসিদা হৌজিক্কী ওইনদি মীয়াম্না মতেং পাঙবীদবগী মমি চাউনা তারি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

অমরোমদা কম্মিতি অসিগী ওইবা অনীরকশুবা মীফম হৌখিবা জুন২৫দা পাঙথোকখিবা অদুদা লৈরিবা ফিভম অসি কুপ্পা খন্নবগা লোয়ননা ইম্ফাল সিতি মনুংদা নৌনা শাগৎলকপা অৱাংবা বিল্ডিংশিংদা মৈহৌ লাংপোক থোক্লকপা মতমদা কা হেন্না মীশিং মীনা থোকপা অমসুং পোৎ চৈ মাঙহন তাকহনবদগী ঙাকথোক্লবগীদমক ফায়ার সেফটি মেজরশিং লৌখৎনবা অমসুং মণিপুর অসি য়ুহার হাগনবা মফম ওইবনা য়ুহারকপা মতমদা বিল্ডিংশিং অমাং অতা থোকহন্দুনা মীশি মীনা নংবদগী কন্নবগীদমক লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং শোয়দনা লৌখৎহন্নবা ৰাফমসু পুথোক্তুনা খন্নবগা লোয়ননা মদু শুকশোয় শোয়দনা চৎনহন্নবা ৰাফম খন্নবা লৈরে হায়রি।

অমরোমদা ইম্ফাল সিটি অসিদা নত্তনা আই এম সি য়াওনা অর্বান লোকেল বোদিশিংগী মখাদা অৱাংবা বিল্ডিংশিং শাবা মতমদা ঙাক্না চৎকদবা বাইলোনচিংবসু লৈরিবনি হায়না পাউ অসিনা হায়রি। ঙসি ফাওবদা ইম্ফাল সিটি য়াওনা ষ্টেট অসিদা অসিগুম্বা বিল্ডিং বাইলো অসি ঙাক্না চৎপা মীগী মশীং খূৎ থেক্লগা পাবা য়াগনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# মণিপুর য়াওনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট মরিনা দিল্লিগী হেপ্পিনেস ক্লাসকী মতৌ তমগদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১ (এজেন্সি) ঃ

মণিপুর, মধ্য প্রদেশ, পোন্দিচরি অমদি নাগালেন্দগী এদুকেসন মিনিষ্টর অমদি ওফিসিয়েলশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা দিল্লি গভর্ণমেন্টনা শীনবা হেপ্পিনেস ক্লাসশিংদা শরুক য়াখ্রবা মতুংদা দিল্লিগী হেপ্পিনেস কারিকুলম অসি মখোয় মকোয়গী ষ্টেটশিংদসু মতৌ তমদুনা হৌদোক্লবা লেপ্লখ্রে।

ষ্টেটশিং অসিগী এদুকেসন মিনিষ্টরশিংনা য়েংখ্রিবা অসি দিল্লি গভর্ণমেন্টনা চহী ১ পাঙথোক্কদৌরিবা হেপিনেস কারিক্যুলমগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপা নুমিৎ ১৫ নিগী ওইবা হেপ্পিনেস উসবকী শরুক অমা ওইননি।

দিল্লি গভর্ণমেন্টনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না এদুকেসন মিনিটের পূন্নমক্না দিল্লিগী হেপ্পিনেস কারিকুলম অসি মখোয় মখোয়গী ষ্টেটশিংদা মতৌ তমদুনা হৌদোক্নবা লেপ্পখ্রে। এদুকেসনিষ্ট অমদি মিনিষ্টর কয়ানা হৌখিবা চয়োলদা দিল্লি গভর্ণমেন্টকী স্কুলশিংদা কোয়না চৎতুনা ক্লাসশিং য়েংখি অমদি মহৈরোইশিংগা ৱারী শান্নখি।

মধ্যপ্রদোকী এদুকেসন মিনিষ্টর প্রতুরাম চৌধুরি, পোন্দিচেরিগী এদুকেসন মিনিষ্টর আর কমলাকানন, নাগালেন্দগী এদুকেসন মিনিটের কে তোজু খাসুখালু অমদি মণিপুরগী এদুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা মখোয় মখোয়বু দিল্লি গভর্ণমেন্টনা চেবাও পীরকপগী থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা দিল্লি গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা থবক অসি মখোয় মখোয়গী ষ্টেটশিংদসু হৌদোক্লীংবা ফোঙদোকখি।

তালকাতোরা ষ্টেদিয়ামদা ঙসি পাঙথোকপা 'হেপ্পিনেস এদুকেসন কনফরেন্স' দা সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোই, দিল্লিগী লেপ্টিনেন্ট অর্বিন জেজরিৱাল অমদি ষ্টেট তরেৎকী এদুকেসন মিনিষ্টরশিংনা শরুক য়াখি।

# প্রিন্সিপাল অমসুং কো–ওর্দিনেটরগী এন্টিসিপেটরি বেল...

*লমায় ১গী মখা ...* সুপ্রিম কোর্টকী গ্বাইদলাইনগী লাংমদা মহৈরোইশিংবু ফু– চৈবগী খুদম লৈ। মরম অসিনা অচুম্বা থিদোক্লবা হোৎনবদা মহাকপু ইন্ট্রোগেসন চথবা তঙাইফদে।

লোয়ননা ফৈরোইজম রোমিতাগী কাউন্সেলনা সম্মিট তৌরকখিবগী মতুং ইন্না হৌখিবা কুমজা ২০০৫ তগী রোমিতা স্কুল অদুগী কো–ওর্দিনেটরগী থৌ পুদুনা লাকখিবনি।

হৌখিবা চহী অসিগী জুলাই ১৮ দা মহৈরোই অমা স্কুল অদুগী বোর্দিংগী দোর্মিটরিদা থৌরী য়ানবা থেংনরকখি। ডোক্তরনা য়েংলবা মতুংদা শিরম্নে হায়না ফোঙদোকখিবনি। অদুম ওইনমক মায়কৈ কয়াদগী প্রেসর লাকপদগী মহাক্কী মথক্তা এফ আই আর (য়ু / এস ৩০ /৩৪ আই পি সি) অমা লৌখৎপগা লোয়ননা সেক্সন ৭৫ ওফ জে জে (কেয়ার এন্দ প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন) এক্ত অমসুং সেক্সন ৩০২ আই পি সি পানখিবনি।

রোমিতা মরাল লৈতে মীশি অদুগা মহাক্কা মরী অমত্তা লৈনদে। চথরিবা মীশি অসিগী ইনভেষ্টিগেসনদা মহাক মপূং ফানা শৌগৎলি। মরম অসিনা মহাক্কী এন্টিসিপেটরি বেলগী মতম শাং দোক্লবা কাউন্সেলনা মখা তানা হায়খি।

এদিস্নেল পব্লিক প্রোজিক্যুটরনদি হায়রিবা মীওই অমসুং মহাক্কী ইমুংনা স্কুল অদু চল্লাইদুনা লাকপনি। স্কুল অসিগী বোর্দিংদা সুপ্রিম কোর্টকী গ্বাইদলাইনগী ৱাংমদা মহৈরোইশিংদা ফু– চৈবা চথবগী খুদম লৈ লোয়ননা স্কুল ওথোরিটি অমা ওইবনিনা মহাক্কী মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন চথবীনবা হায়খি।

নাকল অনীমক্কী ৱা তারবা মতুংদা প্রিন্সিপাল অমসুং কো–ওর্দিনেটর হায়বা অসি স্কুল অদুগী অফ–ফত্তগী দায়ত্ব পুগদবা অমসুং সুপ্রিম কোর্টকী গ্বাইদলাইদনশিং থুগায়বগী খুদম লৈবনা মখোয়বু ইনভেষ্টিগেসন চথনবা সেসন জজনা মখোয়গী এন্টিসিপেটরি বেলগী মতম শাংদোক্লবা থাখিবা বেল অদু লৌখিদবনি। হিয়ারিং অদুগী ফল লাউথোকপা অদু য়েংবা লাকখিবা মীয়াম্না কোর্টকী গেট নমখায়দুনা চঙনবা হোৎনখি। পুলিস অমদি মীয়ামগী মরক্তা চাউনা মুক্লবা লাকপদগী পুলিসনা মোব বোম কাপ্তুনা মীয়াম তানখায়খি। পুলিসনা মতম চানা কন্ত্রোল তৌবদগী কা হেন্না অমাঙ–অতা অমদি অশোক–অপনদি য়াউখিদ্রে।

পনবা য়াবদি ফৈরোইজম লন্ধোনি অমসুং মহাক্কী মচানুপী ফৈরোইজম রোমিতা দেবী হৌখিবা জুলাইগী তাং ২০ দগী ২৩ ফাওবা এন্টিসিপেটরি বেল কোর্টনা পীখিবনি।

# বন্দনা মীয়ামগী পুন্সিদা অকায়বা ...

*লমায় ১গী মখা...*

ওইরগা লনাই গারী মচা মশু খরা নত্তনা পেসেনজর সার্ভিস তৌবা গারী অমত্তা চেন্নখিদে। খ্বায়রম্বন্দ কৈথেল য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরশিংদা লৈরিবা কৈথেলশিং পোটফমশিং কৈথেল কাবগী চাং হন্থখি। লৈঙাক্কী য়াওনা লনাইগী মহৈলোইশঙশিং থোঙ লোন্নখ্রে। লৈঙাক্কী লোইশঙশিং থোং হাংলবসু থৌমীশিং থবক কাবগী চাং হন্থখি। বন্দ মনুংদা পামদবা থৌদোকশিং থোকপগী পাউ লৈতে।

অমরোমদা ঙসি মণিপুর সরকারনা আইন্না য়াবা নুঙ– লৈঙোই, চিংলৈবাক লৌফম ক্বারী অমা ফাওবা লাউথোকপীদবগী মায়োক্তা অয়ূক পূং ৪ দগী নুংথিল পূং ৬ ফাওবা এসোসিয়েসন অসিনা কৌজবা মণিপুর বন্দ অসিদা এসোসিয়েসন অসিগা খূৎশন্নদুনা বন্দগী খোঙজং চঙশিনমিন্নরিবা মায়কৈ–মায়কৈ ঙাক্নরিবা লূপ পূন্নমকপু অমদি খোঙজং অসিদা শৌগৎপীখিবা পূন্নমকপু এসোসিয়েসন অসিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি। বন্দ অসিনা মরম ওইদুনা নোংমগী শু– নোমদুনা হিংলিবা অমদি করবারৱালাশিংদা থেংনখিবা খুদোংচাদবশিং অদুগীদমকসু নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লরি।

মরকসিদা সরকারগী মায়কৈদগী হীরম অসিদা অখন্নবা মীফম পাঙথোকপীবা অদুবুসু তরান্না ওকচরি। সরকারনা নুঙ– লৈঙোই পেকপগী য়ানবা পোরম অমা শেম্বীরিবা অসিবু কদায় ফাওবা মীয়ামদা কয়াম নক্না কান্নবা ফংহনগদৌরিবনো হায়বদু নৈনবগীদমক হয়েং নুংথিল পূং ১ তাবা মতমদা কাঞ্চিপুর সুপর মার্কেট পার্কিংদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা মিটিং অমা পাঙথোকচগনি। মিটিং অসিদা খোঙবু ওইরিবা এসোসিয়েসন। য়ুনিয়ন খুদিংমক্কী মীহুৎশিংনা মতম চানা লাকপীনবা পাউজেঞ্জরি। মিটিং অসিদা মখা তানা করি তৌগনি হায়বসু খন্নজগনি।